# আশাগী ইপাক্তা তাওথরক্লিবা হিনাউ অমা

- হেরোজিৎ নোংমাইথেম

এক্টিং কেরিয়র হায়বসিদা মসিগী অরেপ্পা সাইজ লৈতে। টেলেন্ট অমসুং আর্টিষ্টিক স্কিল লৈবা অনৌবা এক্টর কয়া থোরক্তুনা হেন্না এক্সপান্সন তৌবা ঙম্বগী মতিক থিয়েটর নত্রগা ফিল্ম আর্ট অমদি অতৈ পার্ফোমিং আর্টশিংদা হেন্না চাউখৎলক্কদৌরিবনি। অকক্নবা পোপুলার এক্টর খরনা য়ারে হায়না পেন্থোকপসু য়াদ্রি। এক্টরশিংগীসু কেরিয়র স্পান হায়বা অমা লাকই। মণিপুরী সেল্লুলোইদ সিনেমাগী মতুং অথেংবা শরুক হায়বদি দিজিটেল সিনেমানা হৌগৎলকপা মতমদা সিনোগোৱরশিংগী এটেন্সন ফাউবা নিংথিনা পীবা ঙম্লবা এক্টর কয়া মাংখ্রে, মসিমক দিজিটেল সিনেমাদসু লৈখ্রে। মরুওইনা ফিল্ম কেরিয়রদা এক্টরশিংগী মপুন্সি অসি মীয়াম্না য়াবা অমসুং মহাক মশাগী তোপ-তোপ্পা এক্টিংগী গুনশিং অদুনসু লেপ্পী। তশেংনমক্তি পীকচরবসু মণিপুরনা ৱার্ল্ড লফ সিনেমাদা য়াওদুনা ভারত মনুংদা পাংথোকপা নেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ফাউবদা ঐখোয়গী এক্টরশিংগী খোংফম শেমখ্রবনি। অদুবু লাইবক থীবদি, রিজনেলগী থাক্তগী লোকেলগী থাক্তা কুমথরকপসিনি। হন্দক্কী ৫৯শুবা নেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা অরৈবা এৱার্দ মখৈ খা ভারতকী এক্টরশিং অমসুং মেকরশিংনা লৌখি। মসিগী মরম হায়রগদি খা ভারত্তা অফবা ফিল্মগী ঈশিং নুংশিৎ ময়েক শেংনা লৈবদগীনি হায়না তেন্না ফোঙদোকপদা লাল্লোই। মণিপুরদা ফিল্ম তৌরিবনি হায়দুনা থোরক্লিবশিং অসিদি মেকরদগী হৌরগা এক্টর অমদি টেক্নি সিয়ানশিং য়াওনা ঙম্নমক পামজরুবদগী মানা মানা খং জ-হৈজবা অদুদা খোং থাংজিন্নরকপনা অয়াম্বনি। হৌজিক ফাউবদা ষ্টেট সরকারনা লোকেল ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অসি হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক মশক থোকপা থবক অমত্সু পায়খৎত্রি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিদা চঙলক্লবা মীওইশিংনা মাগী মাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না ভারতকী মমিং লৈরবা ফিল্ম ইনষ্টিট্যুসনশিংদা অহেনবা সিট নত্রগা স্পিসিয়েল এরেঞ্জমেন্ট অমা পীবীদুনা ট্রেনিং ফঙহন্নবগী খুদোংচাবসু লৈরে। অফবা ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট অমত্তসু শেমগৎপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা লন্নাই ওইনা খজিক্তং ওইরবসু ৱাখল লৌশিং পোকহন্নবা মীৎয়েংলোমদা অপিকপা ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট নত্রগা একাদমি, সেন্তর খরদি থোরক্লে। হায়রিবশিং অসিদগী নৌরিবা আর্টিষ্ট নুপীমচা কয়া নুপামচা কয়া ঙসিগী অহুমশুবা জেনেরেসন অসিদা নিংহন্নদনা থোরক্লি।





ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকায়দা জুলাই ২, ১৯৯৫ গী ইরাই নুমিৎতা নোংমাইথেম বিকোম সিংহ অমসুং নোংমাইথেম ওংবী অশা দেবী অনিগী অনিশুবা মপারি ওইনা ফংজখিবা নোংমাইথেম বিকিনি।

নোংমাইথেম বিকিনা ফিল্ম আর্টপু পাল্লকপগী মরুওইবা ঈহুলদি মহাক্না পীক্লিঙৈদগী জগোয় অমসুং এক্টিংগী পার্ফোমর অমা ওইরকখিবদগীনি। থোইদোক্না জগোয়গী লমদা মমিং লৈরবা ইনষ্টিট্যুট নত্রগা ওঝা অমত্তদগী তম্লুবা লৈত্রি। মঙোন্দদি দান্সিং আর্ট অসি ইনবোর্ননি লোয়নননা মহাক্না পাল্লিবা অসিদা মমা-মপা ওইরিবা অনিগীসু অপাম্বা ওইরি। দান্সপু অদুক্কী মতিক পামজরুরবসু কলা অসিদা মহাক্না নিংথিরবা মফম অমা কনবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। অদুবু মণিপুরগী ম্যুজিক এলবম খরদা য়াওখিবা অমদি কুম্বগী খুদোংচাবা ফঙলবা মতুংসিদদি মহাক্কী পামজবা অসি খরমখৈদি থুংলে। হেক য়েংবদা কোরিয়ান লুক ওইবা, ফুট ৫৫" ৱাংবা নোংমাইথেম বিকিনা পোক্লকপদগী য়াওরক্লবা অমদি হেন্দোক থোইদোক্লবা হৈ-শিংবগী গুন কয়ানা মরম ওইদুনা লোৎশিনবা য়াদনা মণিপুরগী ভিদিও ম্যুজিকেল এলবমশিংদা মখা ফোংবা হৌরকখি। শৈশকপা জেসনগী ঈশৈ 'নুংশিবী ঐগী নুংশিবী' হায়বসিদা এক্টর বালাগা লোয়নননা এক্ট তৌখি। এলবম অসিদা নত্তনা অতৈ এলবম কয়াদসু কুমখ্রে। মহাক্কী পামজবগী মতুং ইন্না হায়, 'ঐনা ফিল্ম এক্টিং অসি অদুক্কী মতিক পামজে। ঐগী মিংচৎ অমদি মীয়াম্না শকখঙবীবা হায়বসি ঐনা পামজরিবা ফিল্ম এক্টিং অসিনা থুংহনবা ঙমগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি।"



মহাক্কী অপোকপী মমা নোংমাইথেম ওংবী অশাসু মতম অমগী ষ্টেজ পার্ফোমর ওইনা মমিং লৈরবা কোস্মো দ্রামাটিক ইউনিয়নগী অচংবা আর্টিষ্ট ওইরকই।

ফিল্ম এক্টর অমা ওইবা পাল্লিবা বিকি দা আর্টিষ্ট অমগী পুন্সি অমসুং মসিদা খ্বাইদগী চ্যেকশিন্না অমদি লুনা খনবশিংগী মনুংদা মহাক্না করি খনবা লৈবগে হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, ইশানা ইশাগী দিগ্নিটিবু চ্যেকশিন্না ঙাকপা অমদি ইকায় খুম্নবনি। শেলগী খল্লগা ঐহাক আর্টিষ্ট অমা ওইগনি খন্না লম্বীসিদা চংগে হায়না খনবা লৈতে। ঐহাক্কী ইথক থোংবশিং, মসিদা চিংশিনবীনবা হোৎনবীরবশিংগী দিগ্নিটিবুসু ইকায় খুম্নজে। আর্টিষ্টি অমা ওইবা হায়বসি মীয়াম্না শকঙবীবদুনি। অদুবু ঐহাক্কীদি আর্টিষ্ট অমা ওইনা শকখঙবীবগী মহুৎতা ঐনা ঐগী আর্টিষ্টিক ওইবা স্কিল কয়া উৎপদুনা হেন্না মরুওই হায়না লৌজে। দেদিকেসন, লভ, পিছ, কাইন্দনেস অমসুং দিগ্নিটি হায়রিবা ৱাহৈ মঙা অসিগী ৱাহঙ্গোকপু চেৎনা থাজরিবা বিকিনা অমুকসু হায়, নাপল হায়বসিনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সিবু মাং তাক্লিঙাইগী মশক ওইহল্লি হায়বসি ঐহাক্না মতম পুম্বদা কাউবা লৈতনা নিংশিংজৈ। মহৈ মশিংগী য়াম্না লুবা তানফম অমা ওইরকপনা জেনিথ একাদমি, শঙাইপ্রৌদা টুয়েল্ভ ক্লাস তম্লিবা বিকিবু মহাক্কী মমা কেকে ৱাহেংবমনা মতম পুম্নক্তা লোয়নদুনা মহাক্না পামজরিবা ফিল্ম এক্টিংগী কেরিয়রদা মায় পাক্না চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনবীরি। বিকিগী পুন্সিগী অরোনবশিংগী মনুংদা অরোনবা অমখক্তি মহাক্কী ৱারীসিনা লোয়শিল্লকপদা ফোঙদোক্লি মদুদি, 'ঐহাক্না পামজরিবা প্রোফেসন অদুদা চৎপা ঙমখিদ্রবসু ফিল্ম অমদি আর্টকা মরী লৈনবা মশক নাইবা প্রোফেসন অমদি তৌগে খল্লি। মসিগা লোয়নননা পোপুলার ষ্টার অমা ওইবা হাবসিদি ঐহাক্কী প্রাইওরিটি নত্তে। ঐগীদি আর্টিষ্ট অমা ওইনা অকনবা লেবর পীবা, আর্টিষ্টিক টেলেন্ট পুথোক্লবা হোৎনবগা লোয়নননা মিংচৎ তানবা ঙম্বা হোৎনবদুনি। অরোয়বদা এক্টিং কেরিয়রদা মশাগী টেলেন্ট অমসুং পোটেন্সিয়েল কয়া য়াওরি হায়বগীয অশেংবা খুদম উৎলবা বিকি বু চাংয়েংদুনা অমদি মঙোন্দা লোৎশিন্দুনা লৈরিবা মহাক্কী আর্ট এবিলিটিশিংবু মপুং ফানা চিংথোকপীবা অমদি চংলি।

তোঙান তোঙানবা আর্টকী ফিল্ম কয়াদা নৌনা মচিন তুখৎলক্লিবশিং অমদি খোংদাফম থিরক্লিবশিংনা কলম অসিগী মতেং লৌবীয়ু অমদি ফোঙদোকপীনিংবশিংনা ৯৮৫৬৩৪১১৫২ দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।




শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধী
ওনরেবল চেয়রপার্সন, য়ু পি এ



ডাঃ মনমোহন সিংহ
ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া



শ্রী শ্রীকান্ত কুমার জেনা
ওনরেবল মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (আই।সি) ফোর
ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন

## ৬৯শুবা এন এস এস রাউন্দ সর্ভে
## থক্লবা ঈশিং, লূ-হেনবা, হকশেল, য়ুম্লে-কৈরৈ অমসুং সহরগী লায়রবশিংগী

## আপিল

চাওখৎ-থৌরাং অমসুং পোলিসি শেম্নবগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসনগী মখাদা নেস্নেল সেম্পল সর্ভে ওফিস (এনএসএসও) না চহী খুদীংগী ওল ইন্দিয়া বেশিসতা মখল-মখা কয়াগী শোসিও-ইকোনোমিক ওইবা হীরমশিংদা পাক-শন্না সেম্পল সর্ভেশিং পাঙথোক্তুনা মখল কয়াগী দাটা খোমজিন্নবা হোৎনরি। ইং ২০১২ গী জুলাই ১ দগী পাঙথোকপা হৌখিবতমক মঙায়রিবা সর্ভে অসিগী ৬৯শুবা রাউন্দদা খনগৎলবা য়ুমথোং খুদীংমক্তগী মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন খোমজিনগনি :

- থক্লবা ঈশিং ফংফম, মরাঙ কায়বা, অরাপ্পা অমসুং মগুন
- লন্নাইগী, অপুনবগী অমাংশঙ লৈবা নত্রগা লৈতবা
- অমোৎ-অকায় লংশেকফম, নালাগী মওং অমসুং কাঙ / হয়িংগী প্রোব্লেম
- য়ুমগী মওং, লৈমায়গী এরিয়া, য়ুম শানবা/ লৈনবা শেল লাকফম অসিনচিংবা

সর্ভে খুদীংমক্কী মায় পাকপা হায়বসি অয়াম্বনা য়ুমথোং খুদীংনা তেংবাংবা অমসুং ইনফোর্মেসন চুম্না পীবা হায়বসিগী মখা পোনবা মরম্না, ঐখোয়না য়ুমথোং পুম্নমক্কী মফমদা এন এস এস ও গী ওফিসারশিংদা মতেং পাংবীদুনা অচুম্বা অমসুং মপুঙ ফারবা ইনফোর্মেসন পীবীনবা আপিল তৌজরি।

লন্নাই য়ুমথোং অমনা পীবা ইনফোর্মেসন অদু অরোনবা ওইনা থমগনি।

নেসনেল সেম্পল সর্ভেওফিস
মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন
গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
www.mospi.nic.in

davp 39102/13/0006/1213



Owned, Edited & Published by **KHOIROM LOYALAKPA** & Printed by him at Linthoi Offset Printers, Keishampat, Airport Road, Imphal., Joint Editor - **POTSHANGBAM HAKIM KHABA**, Tele # 2449086, 2441446 Fax # 2440353, E-mail : n_thoudang@yahoo.com